# নাগা লালহৌবনা চেং চিংলকপা দ্রাইভর হাৎখ্রে

## য়ুনিয়নগী পুং ২৪, জে এ সিনা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক হৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ খূৎলাই পায়বা নাগা লাহৌবা খূৎপু অমনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা ট্রক অনি মৈ থাখিবগা লোয়ননা এফ সি আইগী চেং চিংশিল্লকপা দ্রাইভর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

মরকসিদা ট্রক অনি মৈ থাখিবা অমদি দ্রাইভর মীনুংশি খঙদনা হাৎখিবা থৌওং অদুগী মায়োক্তা শগোলশেন নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী এ এম আর টি ডি এণ্ড এম ডব্লিয়ু য়ুনা পুং ২৪ গী মণিপুর বন্দ অমসুং জে এ সিনা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখ্রে।

অমরোমদনা থৌদোক অদুবু লূপ কয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লরক্লি।

ট্রক অনি মৈ থাখিবা অমসুং দ্রাইভর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌদোক অসি য়ুমজকৈশ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ঃ৩০ রোম তারকপদা সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চৎলিবা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী চরোই পান্দোংবা-দা থোকখিবনি।

খূৎলাই পায়বশিংনা মৈ থাখ্রবা ট্রক অনি অদুদি সিমেন্ট পুরকপা ট্রক রেজিস্ত্রেসন নম্বর এম এন-০৪ এ-৭৭১৮ অমসুং এফ সি আইগী চেং চিংলকপা ট্রক রেজিস্ত্রেসন নম্বর এম এন-০৪এ-৩৯৯১ নি।

নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা সোরোখাইবম বাবু (৪৫) অপোকপা কেশো কৌই, শমুরৌ অৱাং লৈকায়দগীনি।

মহাক এফ সি আইগী চেং চিংলকপা ট্রক অসিগী দ্রাইভরনি। মহাক ময়ুম পান্দুনা চহী অহুম্লোম শুরবী মচানুপী অমা লৈরে হায়রি।

থৌদোক্তুদা মহাক্কী সেকেণ্ড দ্রাইভর লালহাকতাং (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা থুৱামা, বোঙ্কোল বজার, মিজোরাম শিনিংচিৎতা হিংহৌখি।

সেকেণ্ড দ্রাইভর অসি লৈখিদ্রবা দ্রাইভর বাবুগী নুপী মিজোরাম নিঙোল শান্তিগী মৌপ্পানুপানি।

জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্লা এফ সি আইগী চেং চিংলকপগী লম্বীদা দ্রাইভর বাবু লাইবক থিবা থৌদোক অসি মায়োক্লখিবনি।

ইম্ফাল তম্লা লাকপগী তুপুল অমসুং সৈজাং অনিগী লোম্নবা চরোই পান্দোংবা য়ৌরকপদা সিমেন্ট পুরকপা ট্রক অদু মৈ চাক্লগা লৈরমখি।

মফম অদুদা লৈরম্লা অফবা মখলগী নোংমৈ অচৌবা পায়বা নাগা লালহৌবা তরারোম্লা চেং চিংলকপা বাবুগী ট্রক অদু নমদুনা খাম্লকখি।

খূৎলাই পায়বশিং অদুনা দ্রাইভর বাবুদগী শেল অমদি মোবাইল ফোন নমদুনা লৌরবা মতুং খঙহৌদনা নোংমৈ রাউণ্ড কয়া কাপশিল্লকখি। অদুবু মশেননুপা লালহাকতাংদি মনাক নকপদা লৈরম্লা দ্রেইন অমদা চোংথহৌবদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদুদগী নাহোকহৌখি। অদুবু বাবুগী মখোংগী শরুক্তা য়ামদ্রবদা নোংমৈ মরূ অহুম পানখি।

মহাক মফম অদুদগী রিমস হোস্পিতাল তম্লা পুরকখি। অদুবু লায়কম্নবা ঙমদনা য়ুমজকৈশ নুমিৎকী অথেংবদা হোস্পিতাল অসিদা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক মতুং মনাক নক্লা লৈবা কৈথেলমাম্বী পুলিস আউট পোষ্টকী তিম অমনা চংশিন্দুনা য়েংশিনখি।

ঙসি অথেংবা ফাওবা ট্রক অনি মৈ থারম্লিবা মফম অদুদা মরী লৈনবা পুলিস য়াওনা ফয়ার সর্ভিস চংশিনখিদবনা অথেংবা ফাওবা গাড়ীশিং অদু মৈ চাকখিবদগী লৌবা য়াদনা তুমখ্রে।

লৈখিদ্রবা দ্রাইভর বাবুগী অশিবা হকচাং পোষ্ট-মোর্তেম একজামিনেসনগীদমক রিমসকী মীরেল-শঙদা পুলিসনা থমখ্রে।

ট্রকঅসি মৈ থাখিবা অমদি দ্রাইভর বাবু হাৎখিবা অদু নাগা লালহৌবা কাংবু ওইগনি হায়রবসু অথেংবা ফাওবদি করম্না গ্রুপনো হায়বদুদি কনাগুম্বা গ্রুপ অমত্তনা মখোয়না চংখিবনি হায়না ফোংদোরকপা লৈত্রি।

অমরোমদনা দ্রাইভর বাবুবু তমথিনা হাৎলমখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা ময়াই লম্বীগী শমুরৌ বজারদা খুদক্তা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি।

মসিনা মরম ওইরগা অচৎ-অওকশিংদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে। শমুরৌদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখা তাবা খোঙজংগীদমক জে এ সি অমা শেমখ্রে।

জে এ সিনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী মণিপুর পুম্নদা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীশি অসিদা ষ্টেট সরকারনা মপুং ওইবা দাইত্ব লৌদুনা মীহাৎপশিং অথুবদা ফাগদবনি, মীহাৎপশিংনা দ্রাইভর বাবু হাৎপগী মতিক চাবা মরমশিং পীগদবনি, সরকারনা লৈখিদ্রবগী ইমুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা তৌফম থোকপশিং সরকারনা তৌগদবনি, জে এ সিনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাংবীনবা অপিল তৌবগা লোয়ননা ডিমাণ্ডশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবদি অশিবা হকচাং লৌদবা হায়বা ৱারেপশিং লৌরে হায়না জে এ সিগী কনভেনর মোইরাংময়ুম শকহেনবী দেবীগী ফোংদোরক্লি।

মরকসিদা ওল মণিপুর রোড ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এণ্ড মোতোর ৱার্করস য়ুনিয়ননা চরোই পান্দোংবা-গী থৌদোক অসিবু কন্দেম তৌরদুনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী মণিপুর পুম্নদা পুং ২৪ গী বন্দ কৌখ্রে।

য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এম অনিল মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, থৌদোক অসি খূৎশুমল খরগীদমক ময়ুম থাদোক্তুনা মীয়ামগী সেবা তৌজরিবা দ্রাইভর খুন্নাইবু শিংনবা অমগা লোয়ননা হাৎকে হায়বা অমা য়াওনা হাৎপিখ্রবা দ্রাইভর বাবুগীদমক মীয়াম্না কণ্ডেম তৌবীয়ু।

য়ুনিয়ননা কৌরিবা বন্দ অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়রদুনা বন্দ অসিদা অনা-অয়েক, মহৈ-মশিং অমদি ধর্ম্মগী ওইবা থৌরমশিংদি কোমথোক্লনি।

সরকারনসু দ্রাইভর হাৎপা মীহাৎপশিং অথুবদা পুথোক্লদবনি। লোয়ননা অৱাবা নংহৌরবা ইমুংদা চপ-চানা য়েংশিনবীগদবনি। সরকারনা চপ চাবা থবকশিং লৌখৎত্রবদি মণিপুর দ্রাইভর য়ুনিয়ননা মখা তাবা খোঙজংশিং চংশিন্নবা ফিরেপ লৌরক্কনি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্ট দ্রাইভরস ৱেলফিয়ার য়ুনিয়ন অমদি মণিপুর ইন্তর ষ্টেট তেক্সি সর্ভিস ৱার্করস এসোসিয়েসননসু থৌদোক অসিবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লরক্লি।

থৌদোক অসিদা সরকারনা মিৎয়েং চংবীবগা লোয়ননা চেন্নরিবশিং অথুবদা ফাগৎনবা তকশিল্লদুনা ওল মণিপুর রোড ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এণ্ড মোতোর ৱার্করস য়ুনিয়ননা চংশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শরুক য়াদুনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু ফোংদোক্লরক্লি।